# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Pablo Picasso


Charlie and Oona


Edward Beddington

- চার্লিনা তোংখিবা জহাজ, **Queen Elizabeth** হায়বদুনা ইংলেন্দ থুংবগা জহাজদগী কুমথনরকপদা চহী ৬তা ঙায়রিবা মচানুপা, মিচেল চাপ্লিন হায়বদু মাঙখ্রে, কন্না থিনবা মতমদা জহাজ মনুংগী জিম্নাসিয়মদুদা মাদি নুংঙাইনা লৈরম্লে।
- মচানুপাদু থিনরিঙৈদা পাউমিনা চার্লিদা ৱারী শাবা ফংহৌরে। অমেরিকাদা মাবু চঙহন্দবা, মাগী ফিল্ম থিংবা হায়না পাউ তারিবদু মাগী করি মত লৈবগে হংবদা মানা খুমখি - 'ঐ হল্লুখিনি, অদুগা থেংনরুখিনি।'' অদুবু মাগী থমোয়গী ৱা হংবদদি মানা শেংনা খুমখি, **"This is not the day of great artists. This is the day of Politics. I have never been political. I am an individualist and I believe in Liberty."**
- বৃটিশ মীয়াম অমদি প্রেসমেন পূম্বা নহা ওইরিবী **Oona** উবদা য়েংনদবা য়াওখিদ্রে। ৱাহং পাউহংদা য়ারিখৈ খুমদনবা হোৎনজবী **Oona** দু খুমদবা য়াদ্রদুনা খুমদোরকখি, ''ঐদি য়ারিখৈ তুংদা লৈজরগা মাগী মতেং পাংবা পামজবনি। চার্লিগী নুপী ৪দুগী মনুংদা ঐদনি মানা লন্দন দা পুবিরক্লিবসি। অদুনা ঐ চাউথোকচৈ।''
- অদুবু চার্লিসি নুপা অমা ওইনা লোয়নবা কমদৌবা হংবদদি **Oona** না খুমখি, **"Charlie is a half and half personality - One half is difficult - the other easy. He is an attentive husband and a wonderful father."**
- অমেরিকাগী পাউসি তাবদা বৃটেনগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱা চাউনা খন্নখ্রে। ফোরেন সেক্রেটরিবু অমেরিকা সরকারদা চার্লি চঙবা য়াহনগদবনি, অপনবা অমতা পীরোইদবনি হায়না ইখিনবা এম পি পূম্বনা মত অমতা ওইনা পীখি।
- চার্লিদি লন্দন য়ৌবগা চাক্লৌবগা মীটিংগনা পরেং লেংখ্রে। মাগী অরোইবা ফিল্ম **Limelight** তা হিরোনী কূমখিবী **Miss Claire Bloom** সু উনরে। চার্লিবু উবদা থেংনবা খুদিংনা সলাম কোৎপদু উবদা মহাক পুমঙক ঙকখ্রে।
- ওক্টোবর ২৩,১৯৫২দা মাগী ফিল্ম **Limelight** অদু **Odeon** হোলদা প্রেমিয়র শো উৎলে। মদু মমিৎ উদ্রবা ছাত্রশিং তন্বীবা **Royal London Society for the Blind** হায়বদুগী মতেং পাংনবা ওইনা উৎখি। মদুদা রাজকুমারী **Margaret** সু য়েংখি।
- নুমিৎতুগী অয়ূক্তনা প্রেস সো উৎখি। মদুদা চার্লিগা **Miss Claire Bloom** গা ফমিন্নখি। চার্লিনা মাবু মী ওইহনবীরে হায়দুনা মীয়াম মাঙদা চার্লিবু কোন্দুনা চুপখি। মীয়াম্না খুবাক খুখি। লন্দন্দা উৎপা প্রেমিয়র সো অমদা লাইব টেলিকাষ্ট তৌবসি মদুনা অহানবনি।
- অদুগী মতুংদি চার্লি মতৈ-মনাওনা মচাশিংদু মাগী মরুপ **Sir Edward Beddington** গী নাক্তা থনম্লগা মখোয়নীনা **Harry Crocker** গা লোয়নননা পেরিসতা চৎখ্রে। ফ্রান্সতা অতোপ্পা প্রেমিয়র শো অমা উৎলুনবা। য়ৌবগা মখোয়নীবু ফ্রান্সকী প্রেসিদেন্টনা চাক কৌখি, বৃটিশ এম্বেসিনসু চাক কৌখি। প্রেমিয়র শোদু কেবিনেট মন্ত্রিশিং য়াওনা য়েংখি। অদুবু অমেরিকাগী এম্বেসেদরদি লাকখিদে।
- মথঙদা চার্লি মতৈ মনাওদু পিকাসোগী ষ্টুদিও য়েংবা চৎলুই। লুরিবদি চার্লিনা ফ্রেঞ্চ ঙাঙবা হৈতে, অদুগা পিকাসোনা ইংলিস ঙাঙদে। ইন টরপ্রিটরগী মতেংনা ৱারী শাখি। মদুদা পিকাসোনা মাদি সেন্টিমেন্টেল ওইবা **Limelight** ফিল্মদু পামদে হায়রকখি। অদুবু পিকাসোগী নহা ওইরিবী নুপীদুনদি মাগী নুপানা হায়রিবদু চার্লিগী তাইবঙগা সিনেমাগী ৱারীগা মান্নমনবদুনা হায়বনি হায়না শেংদোকখি।
- অসোমদনা অমেরিকাদদি মাগী ফিল্ম, লাইমলাইট হায়বদু উৎপা য়ারোই হায়দুনা হোল কোয়শিনখ্রে। লাউরি - ''চার্লি অফবা এক্টর অমনি। অদুবু মানা ঐখোয়গী মায়োক্তা লৈবদি য়ারোই।'' অদুবু হোলিরুদকী ফোরেন, প্রেস এসোসিএসন্নদি মাগী লাইমলাইটকীদমক এৱার্দ লাউথোক্লকখি। এৱার্দ অদু অমেরিকাদা লৈহৌবা মচানুপা অহল চার্লস চাপ্লিন জুনিয়রনা লৌরুই।
- অদুবু চার্লিনা য়ুরোপ্তা লৈরবসু কালিফোর্নিয়াগা পাউ ফাওনবা লেপ্তে। মাগী ষ্টুদিওগা ফিল্ম লাইমলাইটকী মখা তাবা থবক খন্নবা লেপ্তে। ১৯৫২গী নবেম্বর থাদা মানা মাগী ষ্টুদিওদা ফিল্মদুগী ক্লাউদিয়সকী মতাং খরা ককথৎনবা শিন্নখ্রে। মহাক অমুক অমেরিকাদা হল্লরোই খল্লে, অদুনা মাগী মরল-মথুম য়ুরোপ্তা পুরক্লবা খনবা হৌখ্রে।
- অদুনা মহাক্কী সনা লুপা লোইনা হাপ্পা উপুদু মাগী নুপী **Oona** লৌহল্লুনবা খনবা হৌরে। মাগী সেফ দিপোজিৎ বোক্স অদু মানা লাক্লমদাইদা মাগী নুপী উনাবু পুশিন্দুনা মফম তাক্লক্লবনি। উনা থাবা তারে। লুহোংবা চহী ৯ শুরবদুগী মনুংদা মখোয়নি থাদোক্লবসি হন্দক্কী উনাগী নুমিৎ ১০নিগী খোঙচৎ অসিনা অহানবনি। চার্লিনা ৱাজৈ, করিগুম্বা উনাবু অমেরিকা লৈঙাক্লা ফাজিন্দুনা থমখ্রবদি হায়না।

-মথং-মথং

## মালেমগী অঙকপশিং

# রোকি মাউন্টেন নেসনল পার্ক

রোকি মাউন্টেন নেসনল পার্ক অসি য়ু এসকী কলোরাদো ষ্টেটকী নোর্থ-সেন্ট্রেল রিজনদা লৈবা রোকি চীংজাউশিংগী মমাঙথংবা রেঞ্জদা লৈবা নেসনেল পার্ক অমনি। পার্ক অসিদা চিং-লেম্লবা চীংজাউগী শত্তমশিং, চীংগী পাৎশিং, মখল-মখা কয়াগী লম্লক্কী শা-উচেকশিং,মখল-মখা কয়াগী ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং মখল-মখা কয়াগী উগী উমংশিংদগীনা উ অমত্তা হৌদবা উন্না পুংকূপ কূপশিনবা চীংগী টুন্দ্রা ফাওবগী ইনভাইরোনমেন্টশিং লৈ। পার্ক অসি বুল্ডর, কলোরাদোগী অৱাং-নোংচুপতা লৈ অমসুং মসিদা কন্টিনেন্টেল দিভাইদ অমসুং কলেরদো তুরেলগী হৌরকফম লৈ।

পার্ক অসিগী ভিজিটর সেন্টর মঙা লৈ। পার্ককী হেদক্বার্টর ওইরিবা বীভর মেদোজ ভিজিটর সেন্টর অসি ফ্রেঙ্ক লোইদ রাইট স্কুল ওফ অর্কিটেকচরনা দিজাইন তৌবা নেসনেল হিষ্টোরিক লেন্দমার্ক অমনি। পার্ক অসি অৱাং অমসুং নোংপোক্তা রুজভেল্ট নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি, অৱাং-নোংচুপতনা রৌট নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি অমসুং সাউথৱেষ্টতনা অৱাপাহো নেসনেল ফোরেষ্টনা কোইশিল্লি।

পার্ক অসিদা চৎপদা লম্বী অহুম শিজিন্নবা য়াই। মখোয়দুদি য়ু এস হায়ৱে ৩৪, ৩৬ অমসুং ষ্টেট হায়ৱে ৭ নি। হায়ৱে ৭ শিজিন্নদুনা পার্ক অসি চঙবদি মাইল অমা য়ৌদে। লম্বীসিদা চৎলগা ঐখোয়না লিলি লেক ভিজিটর সেন্টর য়ৌবা য়াই। মখা পাংনা অসুম চৎলগনা রুট ৭ তগী কেম্পগাউন্টস য়ৌই, লোংপীক অমসুং ৱাইল্ড বেসিনসু থেংনগনি। হায়ৱে ৩৬ না নোংপোক থংবা নাকলদা পার্ক অদুদা চঙই অমসুং মাইল খরা চৎলগা লম্বীদু হায়ৱে ৩৪ তারগা লোইশিল্লি। পার্কতু ফাওরগা চৎপা ট্রেল রিজ রোদ হায়না খঙনবা হায়ৱে ৩৪ অদু নোংপোক্তা ইষ্টেস পার্ক টাউন্দগীনা খা নোংচুপতা গ্রান্দ পাৎ ফাওবা চেল্লি।

কলোরদোগী নোদর্ন ফ্রন্ট রেঞ্জদা লৈরিবা রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্ককী পাক চাউবা একর ২৬৫,৭৬১ হায়বদি স্কৱার কিলোমিটর ১,০৭৫,৫০ নি। কন্টিনেন্টেল দিভাইদনা মচেৎ তাহল্লিবা পার্ক অসি নোংপোক অমসুং নোংচুপথংবা শরুকশিং অদু তোঙান-তোঙানবা কেরেক্টরশিং চেল্লি। পার্ক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক অদু গ্লেসিয়রনা থল্লবা চীংদোনশিং অমসুং সর্কশিংগা লোয়নননা অতৈ মায়কৈশিংগা চাংদম্নবদা কন্না লৈ। পার্ক অদুগী নোংচুপ থংবা সাইদ অদুনা চোৎপা হেল্লি অমসুং অয়াম্বা শরুকশিং অশংবা পাম্বীশিং-উ-ৱাশিংগী উমংশিংনা কূপশিল্লগা লৈ।

পার্ক অদুদা লম্বী মাইল কিলোমিটর ৫৭৮, পাৎ ১৫০ অমসুং খোং অমসুং তুরেল কিলোমিটর ৭২০ শাংনা লৈ। পার্ক অদুদা ফুট ১২,০০০ দগী হেন্না ৱাংবা মমিং থোল্লবা চীংদোল ৭২ লৈ। পার্ক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা পোইন্ট অদু ফুট ১৪,২৫৯ ৱাংই; কুমজা ২০০২ গী মমাঙদা লৌখিবা সর্ভেশিংনা চীংদোল অদু সি লেভেলদগী ফুট ১৪,২৫৫ ৱাংই হায়বা উৎখি। পার্ক অদুগী অৱাং থংবা সাইদকী মস্মি রেঞ্জদা অপীকপা ফুট ১৩,০০০ গী চীংদোল কয়াসু য়াওখি। এন্দ্রুজ, স্পাগস, টয়ন্দল, টেলরনচিংবা অৱাংবা চীংগী সর্কশিংদা পার্মিনেন্ট স্নোফিল্ডশিং অমসুং অপীকপা গ্লেসিয়র কয়ামরুম লৈ।

রোকি মাউন্টেন নেসনেল পার্কতা মখল-মখা কয়াগী লম্লক্কী শাশিং ফংবগা লোয়নননা মফম অসিগী ক্লাইমেটসু খেন্নবা ফীভম কয়া উবা ফংই। পার্ক অসিদা জুলাই অমসুং ওগষ্টতা খ্বাইদগী হেন্না শাই। কালেনগী মতমদা নুংথিলদা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক-অরাও তাবা য়াওই। নিংথমথাগী উন কন্না তাবগী মতমনা ওক্টোবর থাখায়দগী এপ্রিল ফাওবা ওই। পার্ক অদুগী নোংচুপ থংবা শরুক্না নোংপোক থংবা শরুক্তগী নোং চূবা হেল্লি।

পার্ক অদুগী মপুং ওইবা শত্তমদু লোংস চীংদোলনা লাকহৎপা উই। মদু য়ৌবা খ্বাইদগী লাইবা লম্বীদি কিহোল লম্বীনি।




*মায় পাকখ্রবশিংনা তোখায়বা থবক অমা তৌবা নত্তে, ময়াম্না তৌনরিবদু অতোপ্পা মওংদা তৌবখক্তনি !*

# কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

## মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

### অর্নেষ্ট হেমিংৱে



অর্নেষ্ট মিলর হেমিংৱে (জুলাই ২১, ১৮৯৯-জুলাই ২, ১৯৬১) অসি অমেরিকান নোভেলিষ্ট, সোর্ট ষ্টোরি ইবা অমসুং জর্নেলিষ্ট অমনি। মহাক্কী ৱাহৈ য়াম্না শিজিন্নদবা অমসুং নুংগী ৱারী ৱাখোং ইশু শুগন্দবগী ষ্টাইলনা ২০সুবা চহীচাগী ফিক্সনদা ঈথিল চাউনা পীখি। মহাক্কী এদভেঞ্চরগী পুন্সি অমসুং পব্লিক ইমেজনসু তুংগী জেনরেসনশিংগী ঈথিল পীখি। হেমিংৱেগী ৱারী লাইরিক অয়াম্বা কুমজা ১৯২০ গী মতুং চহী খরা অমসুং কুমজা ১৯৫০ গী মতুং চহী খরগী মনুংদা ফোঙখি অমসুং কুমজা ১৯৫৪ দা মহাক লিটরেচরদা নোবেল প্রাইজ ফংখি। মহাক্না নোবেল তরেৎ, ৱারী মচাগী কলেক্সন তরুক অমসুং নন-ফিক্সন লাইরিক অনী ফোঙখি। অহেনবা লাইরিকশিং ওইনা নোবেল অহুম, সোর্ট ষ্টোরি কলেক্সন মরি অমসুং নন-ফিক্সন অহুম মশা লৈত্রবা মতুংদা ফোঙখি। মহাক্না ইবা ৱারী লাইরিক কয়া অমেরিকান লিটরেচরগী ক্লাসিকশিংনি হায়না লৌনৈ।

অর্নেষ্ট মিলর হেমিংৱে কুমজা ১৮৯৯ গী জুলাই ২১ দা চীকাগোগী চিদাইদা লৈবা ইলিনোইগী ওক পার্কতা পোকখি। মহাক্কী মপা ক্লারেন্স এদমন্দস হেমিংৱে ফিজিসিয়ন অমা ওইরম্মী অমসুং মহাক্কী মমা গ্রেস হোল হেমিংৱে ম্যুজিসিয়ন্নি। মমা-মপা অনীমক লাইরিক-লাইশু মতীক চানা হৈরবা অমসুং ওক পার্ককী কঞ্জার্ভেটিভ কম্যুনিটিদা মীশিংনা ঈকায় খুম্নবা মীশকশিং ওইরম্মী। হেমিংৱেগী মমা খুঙ্গং অদুগী অকোয়বদা কনসর্ট কয়াদা তোয়না শরুক য়ারম্মী। হেমিংৱেনা মপুং মরৈ ফানা চাউরক্লবা মতমদা মমাগী ঈশৈ-নোংমাইদা লূপচবগী থৌওংদুদা মহাক হৈনরকখিদে হায়নৈ। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী বাইওগ্রাফর মাইকেল এস রিনোল্ডসনদি। মমাগী ইনর্জি অমসুং করিগুম্বা হিরম অমদা কা হেন্না থৱায় য়াওশিনগনবগী মগুণ অদু তম্নবা কন্না হায়মনবনা হেমিংৱেদা নুংঙাইহনখিদে অমসুং মদুনা মমা-মচাগী মরক্তা কনফ্লিক্ট লাক্লবগী মরম ওইখি। তৌইগুম্বসুং হেমিংৱেনা তুংদা মমানা তমহনখিবা ম্যুজিক্কী লেসনশিংদু মহাক্কী ৱারী লাইরিক ইবগী থবক্তা য়াম্না কান্নে হায়না ফোঙদোক্লমখি।

কুমজা ১৯১৩ দগী ১৯১৭ ফাওবা মহাক ওক পার্ক অমসুং রিভর ফোরেষ্ট হায় স্কুলদা তমখি। স্কুল তম্লিঙৈদা মহাক্না স্পোর্টস কয়াদা থৱায় য়াওনা শরুক য়াখি, স্পোর্টশিং অদুদি বোক্সিং, ত্রেক এন্দ ফিল্ড, ৱাটর পোলো অমসুং ফুটবোলনি। মহাক ইংলিশ ক্লাসশিংদা য়াম্না থৱায় য়াওবগা লোয়নননা ময়ামদগীসু মীথোই-মীহেল্লম্মী। মতম অসিদা মহাক্না ওর্কেষ্ট্রাগা লোয়নননা জর্নেলিজমগী ক্লাসশিংসু য়াওরম্মী।

অহানবা মালেমগী লাঞ্জাউগী মতম কুমজা ১৯১৮ দা রেদ ক্রোসনা কান্সাস সিটিদা পাঙথোকপা রিক্রুটমেন্টদা শরুক য়াবদা মহাক এম্বুলেন্স দ্রাইভর ওইনা খনখি অমসুং ইটালিদা থবক তৌখি। মোর্টারনা পানবদগী শোক্তুনা মহাক কুমজা ১৯১৯ দা ময়ুমদা হল্লকখি। চিকাগোদা মহাক থাগী চেফোঙ কোওপরেটিভ কম্মনৱেলঠকী এসোসিয়েট এদিটর ওইখি।

# মায়গী ষ্টীমরশিং শিজিন্নদুনা উনশা ফজহনবা



মায়গী ষ্টীমরশিং (ফেসিয়েল ষ্টীমরশিং) অসি নহাক্কী উনশাবু য়াম্না থুনা তগৎ-তগৎ তেক্না, মঙাল য়াওনা অমসুং মশা-মউ ফনা থম্নবগী খ্বাইদগী লাইবা পাম্বেশিংগী মনুংদা অমা ওইবা য়াই। নহাক্কী মায়গী উনশাদা ঈ চেনবা হেনগৎহনবনসু নঙোন্দা কুচু শেংনা ফজবা মায়থোং চেলহনবা য়াই। মায়দা অসিগুম্বা মনিল কামশিনবা হায়বসি তুখোং হাংদোকহনবা, উনশাবু ঈংথহন্নবগী পাম্বে অমনি অমসুং ফেসিয়েল ষ্টীমশিংনা মরু ওইনা উনশাবু হুমাং থোকহল্লি, তুখোংশিং হাংদোকহল্লি, শ্বর হোলহল্লি অমসুং মায়গী উনশাগী সেলশিংদা ব্লদ সার্কুলেসন ফগৎহল্লি।

মনিলনা মায়গী উনশা ফাওনা চঙখিবগা লোয়নননা অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকই অমসুং ৱেকআউটস, ব্লেক হেদস অমসুং অতৈ উনশাগী লায়নাশিং থোকহল্লিবা টোক্সিনশিং লৌথোকই। মায়গী ষ্টীম অসি অরাইবা মওংদা স্কিন ক্যের তৌনবগী খ্বাইদগী ফবা পাম্বে ওইরবসু অমসুং মসি ষ্ট্রেস, লোক থুংবা অমসুং খুল্লাইগী সিম্পটমশিং ফহনবদা কান্নরবসু নহাক্না নহাক্কী স্কিন টাইপ য়েংলগা চানবা ষ্টীমর শিজিন্নগদবনি।

নহাক্কী উনশাদু অঙাং মচা (বেবী) গী উনশাগা মান্নবা ওইরবদি মদুগীদমক ক্যের লৌবদা থোইদোক হেন্দোক্লা মিৎয়েং চঙগদবনি। অসিগুম্বা মতাংদা নহাক্না নহাক্কী ষ্টীমর অদুদা কেমোমাইল লৈ হাপকদবনি অমসুং মিনিট খরা ঙাইগদবনি। ষ্টীমরগী টাইমরদু মিনিট ১০ দা থম্লগা হৌজিক নহাক্কী নমায়দু ষ্টীমরগী মথক্তা ইঞ্চি ১০ ৱাংখৎনা লৈগদবনি অমসুং নকোক্তনা টাৱেল অমা য়েৎকদবনি। নহাক্কী নমায়দু টাৱেলনা মিনিট খরা কূপশিল্লগা অমুক লৌথোক্কদবনি। নমায়দু অঙৈংবা ঈশিংনা চাইশিল্লগা চামথোক্কদবনি। মদুগী তুংদা মিনিট ১৫ দগী ২০ ফাওবা মাস্ক অমা শিজিন্নগদবনি।

উনশা সেন্সিটিভ ওইবা মীওইশিংদি থা অমদা ফেসিয়েল ষ্টীম অমুক্তগী হেন্না চত্থরোইদবনি মদুসু সেসন অমদা মিনিট ৪ দগী ৫ ফাওবদগী হেল্লোইদবনি। উনশা ঈং-ঈং লাওনা নুংঙাইনবগীদমক্তা নহাক্কী ষ্টীমর অদুদা রোজৱাটর হাপকদবনি।



নহাক্কী উনশাদু ওইলি ওইরবদি নহাক্কী ষ্টীমর অদুদা অলো বেরা অমদি এপল সাইদর ভিনেগর হাপকদবনি। মনিল কাম্লবা মতুংদা ওইলি স্কিনগী ওইনদি সি এস মাস্ক হাপকদবনি অমসুং নমায়দু ঈশিং অঙৈংবনা থাদোক্কদবনি।

নহাক্কী স্কিনদু দ্রাই ওইরবদি নহাক্কী ষ্টীমর অদুদা কেমোমাইল নৎত্রগা রেদ ক্লোভর ওইল খরা হাপকদবনি। নহাক্কী গরং-গরং লাওবা উনশাদু হাইদ্রেট তৌনবা ষ্টীমর শিজিন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা দীপ মোইসচুরাইজিং ট্রিটমেন্ট তৌগদবনি।

